# ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্তরেটনা ত্রিপুরাগী মফম কয়াদা রেইদ চথখ্রে, য়াম্লবা শেনফমশিং ফাগৎখ্রে

অগরটালা, এপ্রিল ১৪ (এজেন্সী): ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্তরেটনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ত্রিপুরাগী মফম কয়াদা রেইদ চথখিবগা লোয়নননা ইন্দিয়ন করেন্সিদা লুপা লাক্ষ ৮০ ফাগৎখ্রে। রেইদশিং অদুদা আই দিনা বাংলাদেসি করেন্সিদা লুপা লাক্ষ ৩০ অমসুং য়ু এস দোল্লর খরসু ফাখি।

ত্রিপুরা পুলিসনা ফোঙদোরকখিবদা, হৱালা ওপরেটরশিংগা মরী লৈননা ঈ দিনা য়ামদ্রবদা ত্রিপুরাগী মফম তরেত্তা রেইদ তৌখি। ৱেষ্ট অগরটালা অমসুং সেপাহিজালা দিষ্ট্রিক্টকী সোনামুরাদা এজেন্সী অসিনা থি হুন্বা চথখি। দিরেক্তর জেনরেল ওফ পুলিস ভি এস য়াদবকী ওফিসনা থোকপা ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না, ফোরেন হৱালা ত্রাঞ্জেক্সন কয়াগী মতাংদা ত্রিপুরা পুলিসনা পীরকপা ইন্তলিজেন্স ইনপুটশিংনা য়ুম্ফম ওইরগা ৱেষ্ট ত্রিপুরা দিষ্ট্রিক্টকী ৱেষ্ট অগরটালাগী মফম তরেৎ অমসুং সেপাহিজালা দিষ্ট্রিক্টকী সোনামুরাগী মফম খরদা জোইন্ট ওপরেসন পাঙথোকখি।

পুলিসকী মতুং ইন্না, রেইদ অদুদা ফাখিবা আইটেমশিং অদু হৱালা ত্রাঞ্জেক্সনশিংগা মরী লৈনৈ। এফ ঈ এম এ এক্ট ১৯৯৯ গী প্রোভিজনশিংগী মখাদা ইন্দিয়ন অমসুং বাংলাদেসি করেন্সিশিং ফাখি। হৱালা ত্রাঞ্জেক্সনশিংদা মরী লৈনরম্বা য়াবগী চীংনবা লৈবা দোক্যুমেন্ট কয়াসু ফাখি। দোক্যুমেন্টশিং অদু ইগজামিন তৌরগনি। হৌজিক মখা তানা ইনভেষ্টিগেসন চথরি হায়না পুলিসকী চেরোল অমনা ফোঙদোকখি। হৱালা হায়বসি লৈবাক মনুং অমসুং মপানদা লোনা য়াদবা মওংদা চথবা শেল থুমগী ওইবা ত্রাঞ্জক্সেনশিংনি।




ইফা থৌকোক্না শীন্দুনা লম্ফেলদা লৈবা ইপা থৌকোক্কী শঙলেনদা নুমিৎ নীনি চুপ্পা পাঙথোক্তুনা লাকখিবা কোম্বীরৈ ফেষ্টিবেল ২০২১ কোম্বীরৈ হোংবা থৌরম লোইশিনবা নুমিত্তা মরু ওইবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখিবশিং

# ভোট থাদবগী মতম পুং ১ শাংদোক্লবা ইলেক্সন কম্মিসনদা তকশিনখ্রে

আইজোল, এপ্রিল ১৪ (এজেন্সী):

ইলেক্সন কম্মিসন (ঈ সী) না মিজোরামগী সার্ছিপ এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মরক্কী মীখল অমসুং ভোট মশীং থিবগী মতম য়ৈথোকপগী ৱাফম য়াখিদ্রবা তুংদা জোরাম পিপলস মুভমেন্ট (জেদ পি এম) না পোল পেনেল অসিদা বাইপোল অসিদা ভোট থাদবগী মতম পুং অমা শাংদোক্লবা তকশিনখ্রে।


অকক্লবা চর্চ অমগী মেম্বরশিংবু ভোট থাদবা য়াহন্নবগীদমক্তা পোল্লিংগী মতম পুং অমা শাংদোক্লবা মিজোরামগী মরু ওইবা ওপোজিসন পার্টি জোরাম পিপলস মুভমেন্ট (জেদ পি এম) না কম্মিসনদা আপীল অসি তৌখিবনি হায়না য়ুমশকৈশা নুমিত্তা পার্টিগী লুচিংবা অমনা ফোঙদোকখি।

জেদ পি এমগী জেনরেল সেক্রেটরি লালমুৱান পুইয়া পুইটেনা হায়, পার্টি অসিনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াদা অতোপ্পা লেটর অমা থাদুনা ভোট থাদবগী মতম হান্নগী সেদ্যুলদগী পুং অমা চোম্থরগা নুমিদাং পুং ৭ ফাওবা শাংদোক্লবা তকশিনখ্রে। মদুনা সভেন্থ দে এদভেন্টিষ্ট চর্চকী মেম্বর কয়া ভোট থাদবা য়াহনগনি।

সার্ছিপ এসেমব্লি সিটকী মরক্কী মীখল অদু এপ্রিল ১৭ তা পাভথোক্কদৌরিবনি। অয়ুক পুং ৭ তগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবা থাদগদবনি।

জেদ পি এমনা লেটর অদুদা হায়, সভেন্থ দে এদভেন্টিষ্ট চর্চকুম্বা মিজোরামগী খৃষ্টিয়ন দিনোমিনেসন খরনা থাংজ নুমিৎ অসি সবাথকী নুমিৎ ওইবনা ওবজার্ভ তৌই। নুমিৎ অসি লাইনিং লাইশোনগী ওবজার্ভেসন অমসুং থবক লেপ্পা নুমিৎনি। অদুনা করিগুম্বা পোল্লিং মতম শাংদোক্তবা তারবদি অকক্লবা চর্চ অসিগী মেম্বরশিং ভোট থাদবগী খুদোংচাবা ফংলোই।

সাবাথকী মতম ইরাই নুমিৎকী নুমিৎ চঙখিবা মতমদগী হৌরগা থাংজগী নুমিৎ চঙবা মতমদা লোয়গদবনি। মমাংদা ইলেক্সন কম্মিসনগী ষ্টেটমেন্ট অমনা বাইপোল অদুগী পোল্লিং অমসুং ভোট মশীং থিবগী তারিখশিং য়ৈথোক্লবা থারকখিবা পিটিসনশিং খন্নবা য়ারোই হায়খ্রবনি।



## CROSSWORD-3752

### ACROSS

1 Go up (6)
4 Flaw (6)
8 Regulations (5)
9 Underhand, sneaky (7)
10 Continue (5,2)
11 Faithful (5)
12 Difficult situation (5,4)
17 Protective garment (5)
19 Indistinct (7)
21 Edicts (7)
22 One who shows people to their seats (5)
23 Uncover (6)
24 Distress signal (6)

### DOWN

1 Continent (6)
2 Guilty party (7)
3 Unpleasant (5)
5 Enfold, surround (7)
6 Hard dark wood (5)
7 Struggle (6)
9 Gifts (9)
13 Male geese (7)
14 Slightly crazy (7)
15 Rider's seat (6)
16 Annually (6)
18 Go over it again (5)
20 Finnish-style steam bath (5)

**Solution 3751**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| G | I | L | L | ■ | V | I | C | T | O | R | I | A |
| E | ■ | L | ■ | F | ■ | L | ■ | A | ■ | A | ■ | B |
| T | R | A | V | A | I | L | ■ | C | A | V | I | L |
| A | ■ | M | ■ | T | ■ | U | ■ | I | ■ | I | ■ | E |
| H | E | A | T | H | ■ | M | E | T | H | O | D | ■ |
| E | ■ | ■ | ■ | O | ■ | I | ■ | ■ | ■ | L | ■ | D |
| A | R | G | U | M | E | N | T | A | T | I | V | E |
| D | ■ | L | ■ | ■ | ■ | A | ■ | S | ■ | ■ | ■ | F |
| ■ | H | E | I | G | H | T | ■ | T | E | R | S | E |
| S | ■ | E | ■ | R | ■ | I | ■ | U | ■ | E | ■ | A |
| M | A | F | I | A | ■ | O | U | T | C | A | S | T |
| U | ■ | U | ■ | N | ■ | N | ■ | E | ■ | L | ■ | E |
| G | O | L | D | D | I | S | C | ■ | A | M | I | D |

SOLUTION ON NEXT ISSUE

# গুৱাহাটিদা চংলুবা বি সী পি এলগী চীফ মেনেজর কোভিদ-১৯ না নাবদা লৈখিদ্রে



দিব্রুগর, এপ্রিল ১৪ (এজেন্সী):

ব্রহ্মাপুত্র ক্রেকর এন্দ পোলিমর লিমিটৈদ (বি সী পি এল) গী চীফ মিনেজর মানাব জয়োটি দোৱেরা কোভিদ-১৯ ইনফেক্সন্না অসাম মেদিকেল কোলেজ হোস্পিটাল (এ এম সী ঐচ) তা লৈখিদ্রে। মশাগী চহী ৪৫ শুরবা বি সী পি এলগী ওফিসল অদু অয়ুক পুং ১১.৩০ রোম তাবদা লৈখিদবনি।

মহাক হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসি অসাম মেদিকেল কোলেজ হোস্পিটাল (এ এম সী ঐচ) তা লায়েং চথরকখি। দোৱেরাহনা লোয়নবী অমসুং মচা অনী থনম্মি। মহাক অপ্পর অসামগী জোরহাট দিষ্ট্রিক্টতগীনি। মহাক কোভিদ-১৯ না মরম ওইদুনা লৈখিদবা বি পি সী এলগী অহানবা ইমপ্লোয়ীনি। থম্মোয় শেংনা অমসুং কখোকপগা লোয়নননা মথৌ তৌরম্বা ঐখোয়গী ইমপ্লোয়ীশিংগী মরক্তগী অমা লৈখিদ্রে হায়না বি সী পি এলগী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি। লৈবাকপোকপা নুমিত্তা দিব্রুগরদা সেম্পল ১,৬০৯ টেষ্ট তৌখিবগী মনুংদা ৬২ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরমখি। লৈখিদ্রবা ইমপ্লোয়ী অসি দাইবিটিসকী পেসিএন্ট অমনি।

জোইন্ট দিরেক্তর ওফ হেল্থ সর্ভিসেস দিব্রগর নাবোজয়োটি গোগোইনা হায়, মানাব জয়োটি দাইবেটিক অমনি। মহাক অতৈ কমপ্লিকেসন কয়া লৈখি। মহাকপু লায়েংবদা ঐখোয়না মথৌ তাবা চেকশিন থৌরাং খুদিংমক লৌখৎখি। সোর্চ খরগী মতুং ইন্না মনাব জয়োতি দোৱেরাহ হন্দক্তা মহাক্কী ইমুংগা লোয়নননা গুৱাহাটিদা চংখি। হল্লকপদা টেষ্ট তৌবদা মখোয় লোয়নমক কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরমখি।

# নাগালেন্দগী গভর্ণর আর এন রবিনা ত্রাইবেল লিদরশিং উন্নখ্রে

দিমাপুর, এপ্রিল ১৪ (এজেন্সী):

নাগালেন্দগী গভর্ণর আর এন রবিনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ত্রাইবেল ওর্গনাইজেসনশিংগী লুচিংবশিংগা লোয়নননা খন্ন নৈনবগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

গভর্ণর রবিনা মীফম অদু ত্রাইবেল লুচিংবশিংগা কোভিদ-১৯ অমসুং লো এন্দ ওর্দরগুম্বা নাগালেন্দগী ইশ্যুশিংগী মতাংদা খন্ননবা কৌখিবনি। রিপোর্ট খরগী মতুং ইন্না, মরু ওইবা ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ গী অনীশুবা ৱেভ কনশিল্লকপদগী গভর্ণর রবিনা মীফম অদু কৌবনি।

নাগালেন্দদা কোভিদ-১৯ শনে দারকপা লাকশিনবদা মথৌ তারিবা থৌরাংশিং খন্নখি। কোভিদসিদা নত্তনা মীফম অদুনা নাগালেন্দগী হৌজিক লৈরিবা লো এন্দ ওর্দরগী ফীভমগী মতাংদসু খন্নখি।

# অসামগী এয়রপোর্টশিংদা থুংলবা এয়র ত্রাভেলরশিং কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌরগনি

গুৱাহাটি, এপ্রিল ১৪ (এজেন্সী):

কোভিদ-১৯ লায়চৎকী অনীশুবা ৱেভ ওইনা অসামদা ইনফেক্সন লেপ্তুনা ৱাংখৎলকপগা লোয়নননা ষ্টেট অসিগী এয়রপ্রোর্টশিংদা থুংলবা এয়র ত্রাভেলরশিং কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌনবা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা ওর্দর তৌখ্রে।

ষ্টেট গভর্ণমেন্টগী ওর্দর অদুগী মতুং ইন্না, অসামগী এয়রপোর্টশিংদা থুংলবা এয়র ত্রাভেল্লরশিং আর টি-পি সী আর অমসুং রেপিদ এন্টিজেন টেষ্ট অনীমক চথহনগনি। অদুমওইনমক ত্রাঞ্জিট পেসেঞ্জরশিংদি কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবগী মথৌ তারোই। গভর্ণমেন্টগী ওর্দর অসি অসাম হেল্থ মিনিষ্টর হিমন্তা বিস্বা সর্মানা কনফার্ম তৌখি।

হেল্থ মিনিষ্টর সর্মনা হায়, ত্রাঞ্জিট পেসেঞ্জরশিং নত্তনা অসামগী এয়রপোর্টশিংদা থুংলরবা এয়র ত্রাভেল্লর খুদিংমক হৌজিক তঙাই ফদনা কোভিদ-১৯ টেষ্ট (আর এ টি অমসুং আর টি-পি সী আর) অনীমক তৌগনি।

অসাম হেল্থ দিপার্টমেন্টনা থোকপা অনৌবা নোটিফিকেসনগী মতুং ইন্না, রেপিদ এন্টিজেন টেষ্টকীদমক পেসেঞ্জরশিংদগী ফি লৌরোই। অদুমওইনমক আর টি পি সী আর টেষ্টকী ওইনদি লুপা ৫০০ রোম লৌগনি। মসি হৌজিক টেষ্ট অসিগী খ্বাইদগী য়াম্বা রেটনি।

করিগুম্বা আর টি (রেপিদ এন্টিজেন টেষ্ট) তা পোজিটিভ ওইবা তারবদি মী মীদুগী মেদিকেল



কন্দিসনদুগী মখা পোন্না আর এ টি (রেপিদ এন্টিজেন টেষ্ট) তা পোজিটিভ ওইবা পেসেঞ্জরশিং হোম আইসোলেসন তৌগনি নৎত্রগা প্রাইভেট হোস্পিটালদা এদমিট তৌগনি নৎত্রগা গভর্ণমেন্টনা হেল্থ ইন্সটিট্যুসনশিংদা এদমিট তৌগনি হায়না অসাম হেল্থ দিপার্টমেন্টগী অনৌবা নোটিফিকেসনদা পনখি।

নোটিফিকেসন অদুদা মখা তানা হায়, করিগুম্বা রেপিদ এন্টিজেন টেষ্টতা নেগেটিভ ওইবা তারবদি পেসেঞ্জর অদু এপ্রুভ তৌবা রেটতা শেল পীরগা আর টি পি সী আর টেষ্ট তৌগদবনি।

আর টি-পি সী আর সেম্পল কলেক্সন তৌরবা মতুংদা পেসেঞ্জর অদু টেষ্ট রিজল্ট লাউথোরক্লিফাওবা ক্বারন্টিন তৌবগী ফীভমদা এয়রপোর্ট থাদোকপা য়াহনগনি। আর টি-পি সী আর সেম্পল তৌরবা পেসেঞ্জর হেন্দ ষ্টাম্পিং তৌগনি। আর টি-পি সী আর টেষ্টতা পোজিটিভ ওইরবদি পেসেঞ্জর অদু হোম আইসোলেসন তৌগদবনি নৎত্রগা প্রাইভেট হোস্পিটাল নৎত্রগা গভর্ণমেন্ট হোস্পিটালদা এদমিট তৌগদবনি।

## HUEIYEN SUDOKU

### Hueiyen Sudoku-3551

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 7 | | | | | 9 | |
| 5 | | | | | 6 | 8 | | 2 |
| 8 | 6 | | | | | | 1 | 3 |
| | 9 | | | 3 | | | | |
| 1 | | | 2 | | 9 | | | 5 |
| | | | | 7 | | | 8 | |
| 2 | 5 | | | | | | 4 | 7 |
| 6 | | 1 | 9 | | | | | 8 |
| | 4 | | | | | 3 | | |

### Solution-3550

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 9 | 4 | 7 | 6 | 2 | 3 | 8 | 1 |
| 8 | 6 | 2 | 1 | 5 | 3 | 7 | 4 | 9 |
| 3 | 1 | 7 | 9 | 8 | 4 | 6 | 5 | 2 |
| 1 | 5 | 9 | 2 | 3 | 6 | 4 | 7 | 8 |
| 4 | 3 | 6 | 8 | 9 | 7 | 2 | 1 | 5 |
| 2 | 7 | 8 | 4 | 1 | 5 | 9 | 6 | 3 |
| 6 | 4 | 5 | 3 | 2 | 1 | 8 | 9 | 7 |
| 9 | 2 | 1 | 6 | 7 | 8 | 5 | 3 | 4 |
| 7 | 8 | 3 | 5 | 4 | 9 | 1 | 2 | 6 |

## EMPLOYMENT NEWS

GMC Recruitment 2021: Government of Goa, Goa Medical College and Hospital (GMC), Bambolim Goa invites applications from eligible candidates for recruitment of MTS, Clerk, Medical, Technician and other positions on regular basis. The last date for receipt of applications is 20th April 2021.
ADVERTISEMENT No.03/2021
Name of the Post
No of Vacancies
Multi Tasking Staff (MTS)
222
Store Keeper
05
Lower Division Clerk
74
Medical Record Clerk
13
Junior Stenographer
01
Driver (Light Vehicle)
02
Staff Nurses
377
A.N.M.
03
Occupational Therapist
08
Physiotherapist
09
Speech Therapist
03
Medico Social Worker
10
Senior Technician
06
Anaesthetic Assistant
07
Orthopaedic Assistant
03
Junior Technician
29
Radiographic Technician
07
Pharmacist
18
E.C.G. Technician
04
Laboratory Assistant
04
Laboratory Technician
07
Barber
01
Dialysis Technician
08
Age Limit: 45 years. Age Relaxation as per Govt. Rules.
Pay Scales:
L-1 Rs 18,000/-
L-2 Rs 19,900/-
L-4 Rs 25,500/-
L-5 Rs 29,200/-
Educational Qualifications:
MTS: Passed Secondary School Certificate Examination (OR) ITI Passed.
Store Keeper: Intermediate/Higher Secondary/Senior Cambridge or equivalent. Minimum 02 years experience.
LDC: Higher Secondary School Certificate or All India Council for Technical Education. Knowledge of Computer Application/Operations with typing speedof 30 words per minutes in English.
Medical Record Clerk: Matriculation or equivalent. Speed of 30 words per minute in type writing in English.
Junior Stenographer: Higher Secondary School Certificate. Speed of 100 words per minute in Short Hand and 35 words per minute in typing. Minimum three months certificate course in computers.
Driver: Passed Secondary School Certificate Examination. Driving Licence for Light Vehicles.
Staff Nurse: Certificate in Nursing. Certificate in Midwifery/ Special training for Male Nurses for 6 months duration. (OR) B.Sc. Nursing. Registration certificate as Registered Nurse, or registered Midwife from State Council.
A.N.M: S.S.C.E. with one and half years training (Course) in Multipurpose or Health Workers Course/ 2 years of Auxiliary Nurse Mid-wife training. Registration with state Nursing Council.
Technicians: B.Sc. degree in relevant discipline.
Pharmacist: Diploma in Pharmacy. Should be registered with the State Council of Pharmacy.
Selection Process:
Written Test
Interview.
Application Fee: Not Specified.
How to Apply: Candidates should apply for the desired post, giving following details:- Name of the Candidate, Address, Date of Birth,Upper Age Limit is 45 years (Relaxable for Government Servants),Category, Nationality, Mobile Number, Educational Qualification, Experience Certificate, Valid Employment Registration Card,Valid Caste Certificate and Valid 15 years Residence Certificate issued by Competent Authority. Application should also carry candidates Passport Size Photograph. Completed applications addressed to " (Dattaram Sardessai) Director (Admn.) Goa Medical College, Bambolim – Goa". The last date for receipt of applications is 20/04/2021.

NMDC Limited Walk-in Recruitment Drive for Executives and Non-Executives posts on contract basis for NISP, Nagarnar at Ranchi, Jamshedpur and Raipur. The last date for registration of online applications is 15th April 2021.
Executive Cadre:
Department
Total Vacancies
Energy Management Department
39
Safety
21
Materials Management
19
Contracts Management
11
Centralised Maintenance Mechanical
04
Compressed Air Station
02
Craning Engineering
04
Supervisory & Non-Executive Cadre:
Department
Total Vacancies
Energy Management Department
87
Hot Strip Mill
06
Central Maintenance Mechanical
05
Compressed Air Station
08
Crane Engineering
07
Maximum Age: 65 years
Monthly Remuneration:
Executive -III (Contract): Rs. 1,50,000/-
Executive – II (Contract): Rs. 1,20,000/-
Executive – I (Contract): Rs. 90,000/-
Executive I(a) (Contract): Rs. 60,000/-
Supervisor cum Chargeman (Contract): Rs. 60,000/-
Senior Technician cum Operator (Contract): Rs. 50,000/-
Technician cum Operator (Contract): Rs. 40,000/-
Educational Qualifications:
Degree in any branch of Engineering / Technology.
ITI in any discipline.
Diploma in any branch of Engineering.
Selection Process:
For Supervisors and Non-Executives Cadre: Written Test and Supervisory Skill Test/ Skill Test
For Executives Cadre: Interview only.
How to Apply: Eligible candidates would be required to apply online for registration through NMDC website (nmdcnisp.formflix.com). The last date for registration of online application is 15/04/2021.

